# বিশননা গোল্ড মেদল লৌদুনা মণিপুরগী মীংচৎ পুরকপা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৩ (ঐচএনএস) ঃ স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা দিরেক্টরেট ওফ স্পোর্টস এন্দ য়ুথ সার্ভিস পুনে, মহারাষ্ট্র ষ্টেটনা শীন্দুনা থা অসিগী ১১দগী হৌদুনা সিব চত্রবতি স্পোর্টস কমপ্লেক্স পুনেদা পাঙথোকখিবা ৬৪শুবা নেসনল স্কুল গেমস (সাইক্লিং-ত্রেক্ট) টুর্নামেন্ট২০১৮-১৯দা মণিপুরগী সাইক্লিষ্ট কোন্থৌজম বিশননা গোল্ড মেদল অমা লৌদুনা মণিপুরগী মীংচৎ পুরকপা ঙমখ্রে।

তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়া অমদি একাদেমি কয়ানা শরুক য়াদুনা চত্থরকখিবা ৬৪শুবা নেসনল স্কুল গেমস (সাইক্লিং-ত্রেক্ট) টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯দা মণিপুরদগী নুপী শান্নরোয় ৪ অমদি নুপা শান্নরোয় ৪ অমসুং কোচ অনী পূন্না মীওই ১০না শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগা মরী লৈননা মণিপুরগী সাইক্লিং কোচ এস মেধা চনুনা ফোঙদোকখিবদা স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা দিরেক্টরেট ওফ স্পোর্টস এন্দ য়ুথ সার্ভিস মহারাষ্ট্র ষ্টেটনা শীন্দুনা ফেব্রুৱারী ১১দগী হৌদুনা পাঙথোকখিবা ৬৪শুবা নেসনল স্কুল গেমস (সাইক্লিং-ত্রেক্ট) টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯দা মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা শান্নরোয় ৮ লুচিংখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা গোল্ড ফাইট হায়না মীংথোন্দুনা গোল্ড মুন্নবগী কম্পিটিসন অসিদা কোন্থৌজম বিশননা গোল্ড মেদল অসি ফংদুনা মণিপুরগী মীংচৎ পুরকপা অসিদা কোচ অমা ওইনা য়াম্না চাউথোকচৈ অমদি মণিপুর মীয়াম্নসু শান্নরোয়শিংনা অসুম্না মণিপুরগী মীংচৎ পুরকপা অসিদা য়াম্না চাউথোকপা ফাওরমগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ফর্ষ্ট লাইরেম্বী কপ ২০১৯ ভিলেজ ওপন নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# এন এম এল এস সী ঙারিয়াননা দল্লিয়ু ৱাই সী ৱাংখেম্বু পাঞ্জল ৫-২দা মায়থীবা পীরম্লগা অহুমশুবা তাখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৩(ঐচএনএস)ঃ নুংব্রং এফ সীনা শীন্দুনা ফুটবোল ক্লব অসিগী শান্নবুংদা চত্থরিবা ফর্ষ্ট লাইরেম্বী কপ ২০১৯ ভিলেজ ওপন নাইন এ সাইদকী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এন এম এল এস সী ঙারিয়াননা দল্লিয়ু ৱাই সী ৱাংখেম্বু পাঞ্জল ৫-২দা মায়থীবা পীরম্লগা অহুমশুবা তাখ্রে।

টিম ১৮না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ মরি থোক্না খাইদোক্তুনা চত্থরিবা ফর্ষ্ট লাইরেম্বী কপ ২০১৯ ভিলেজ ওপন নাইন এ সাইদকী অহুমশুবা পোজিসনগী মেচ ওইনা ঙসি দল্লিয়ু ৱাই সী ৱাংখেম অমসুং এন এম এল এস সী ঙারিয়ান লম্বা তৌনখি।

মেচ অদুগী অঙনবা মতমদগী হৌনা টিম অনীনা মায় পাক্লবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ১২শুবা মিনটতা ৱাই দল্লিয়ু সীগী জর্সি নম্বর ১৬ মঙলেম্বনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মেচ অদু ৱাই দল্লিয়ু সীনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। মেচকী ১৮শুবা মিনটতা এন এম এল এস সীগী মায়কৈদগীসু জর্সি নম্বর ৮ এম দি অরোফাটনা দল্লিয়ু ৱাই সীগী মাঙজিল থারিবা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু টিম



অনীনা পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি। মিনট ২ কান্নরগা মেচকী ২০শুবা মিনটতা এন এম এল এস সীগী জর্সি নম্বর ১৭ এম দি রাজুনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনশিল্লগা মেচ অদু এন এম এল এস সীনা অমুক পাঞ্জল ২-১দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। দল্লিয়ু ৱাই সীগী মায়কৈদগী এন এম এল এস সীনা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থানা চৎলিবা অদু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী হৌনা মেচ অদু এন এম এল এস সীনা দল্লিয়ু ৱাই সীবু খংলাক লাকশিন্দুনা শান্নরকপা উখি। মেচকী ৩২শুবা মিনটতা এন এম এল এস সীগী শান্নরোয় এম দি রাজুনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনশিল্লগা মেচ অদু মহাক্কী টিমনা পাঞ্জল ৩-১দা লৈখি।

মিনট খরা কান্নরগা মেচকী ৪০শুবা মিনটতা অমুক টিম অসিগী শান্নরোয় এম দি অরোফাটনা মহাক্কী অনীশুবা অমদি টিমগী মরিশুবা পাঞ্জল চনশিল্লগা মেচ অদু এন এম এল এস সীনা পাঞ্জল ৪-১দা চাউনা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। এন এম এল এস সীনা মাঙজিল থাদুনা চৎলিবা গোলশিং অদু হন্দোক্লবা ৱাই দল্লিয়ু সীগী শান্নরোয়শিংনা অহানবা হাফতা শান্নখিবা মওংদগী হেন্না য়াঙনা শান্নরকপা হৌরকখি। অদুবু এন এম এল এস সীগী মায়কৈদগীসু দল্লিয়ু ৱাই সীনা চত্থরক্লিবা এটেকশিং অদু পাঞ্জল ওইনা ওন্থোকপা ঙমহনখিদে। মেচকী ৪৮শুবা মিনটতা এন এম এল এস সীগী জর্সি নম্বর ৭ এম দি সলামটনা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা মেচ অদু এন এম এল এস সীনা পাঞ্জল ৫-১দা লৈদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপগী ইঞ্জুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা ৱাই দল্লিয়ু সী জর্সি নম্বর ১৫ দামুনা এন এম এল এস সীগী মাঙজিল থারিবা অনীশুবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবসু মেচ অদু এন এম এল এস সীনা পাঞ্জল ৫-২দা মায় পাক্তুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

# মণিপুরগী জুনিয়র নেসনল হোকি টিম মহারাষ্ট্রগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৩ (ঐচএনএস) ঃ হোকি ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা মহারাষ্ট্রগী ঔরাঙ্গাবাদতা থা অসিগী ১৭তগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা হোকি ইন্দিয়া মাপনশুবা জুনিয়র নেসনল হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ (মেন-এ দিভিজন) দা শরুক য়ানবগীদমক ঙসি মণিপুর জুনিয়র হোকি টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

টিম ২০না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ মরি থোক্না খাইদোক্তুনা গ্রুপ এ দিভিজনগী ওইনা চত্থগদৌরিবা হোকি ইন্দিয়া মাপনশুবা জুনিয়র নেসনল হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ (মেন) দা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী জুনিয়র হোকি শান্নরোয়শিং অদুদি গোলকিপরদা জর্সি নম্বর ১ এম অর্বিন্দ অমদি জর্সি নম্বর ১৮ য়েংখোম সেমসন, জর্সি নম্বর ২ লাইশ্রম দিপু, জর্সি নম্বর ৩ তোঞ্জম রিকি, জর্সি নম্বর ১৬ ইরেংবম রোহিট, জর্সি নম্বর ৪ ফিলেম লমঙানবা, জর্সি নম্বর ৫ মাইরেনবম সঞ্জয়মনি, জর্সি নম্বর



১৩ কৈশাম রোহিট মৈতৈ, জর্সি নম্বর ৬ থোকচোম ষ্টেফেন, জর্সি নম্বর ১৫ মোইরাংথেম ধনঞ্জয় মীতৈ, জর্সি নম্বর ৯ সুরেনশংবম অমুজাউ মীতৈ, জর্সি নম্বর ১১ মোইরাংথেম রবিচন্দ্র, জর্সি নম্বর কোঞ্জেংবম ইবুংঙো, জর্সি নম্বর হেমাম অমরজিৎ, জর্সি নম্বর ১২ নিঙোম্বম জেমসন, জর্সি নম্বর ৭ তখেল্লম্বম নিরজ, জর্সি নম্বর ৮ ৱারিবম নিরজকুমার অমসুং জর্সি নম্বর ১৭ নিঙোম্বম অমরজিৎনি।

মণিপুরগী জুনিয়র হোকি টিম অসিবু লুচিংলিবা ওফিসলশিং অদুদি টিম মেনেজরদা মোইরাংথেম প্রামেশ্বর অমসুং টিম কোচতা মোইরাংথেম রিনাস মীতৈনি।

হোকি ইন্দিয়া মাপনশুবা জুনিয়র নেসনল হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ (মেন) গী হৌদোকপা নুমিৎকী অহুমশুবা গ্রাউন্দগী অয়ূক পুং ১০ তাবা মতমদা গ্রুপ বিগী মেচ ওইনা মণিপুর হোকিগা হোকি হরিয়ানাগা শান্নগনি। থা অসিগী ১৮দনা মরিশুবা গ্রাউন্দগী অয়ূক পুং ১১.৩০ তাবদা গ্রুপ বিগী মণিপুর হোকিগা দি মুম্বাই হোকি এসোসিএসন লিমিটেদকা শান্নগনি। থা অসিগী ২০গী মরিশুবা গ্রাউন্দগী অয়ূক পুং ১১.৩০ তাবা মতমদা গ্রুপ বিগী মণিপুর হোকিগা হোকি ঝরখণ্ডগা শান্নগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী তরুকশুবা নুমিৎ থা অসিগী ২২গী অয়ূক পুং ১১.৩০ তাবদা মণিপুর হোকিগা মধ্য প্রদেশ হোকি একাদেমিগা শান্নগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুরগী জুনিয়র হোকি টিম অসি খোংমন ষ্টুদেন্টস ক্লব হোকি একাদেমিনা স্পোন্সর তৌবনি হায়রি।

# সন্তোস ত্রোফি নোর্থ ইষ্ট জোন ক্বালিফায়িং রাউন্দগী মেচতা মণিপুরনা অরুনাচল মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৩ (ঐচএনএস) ঃ মিজোরামগী আইজোলদা পাঙথোক্লিবা লৈবাক অসিগী দোমেষ্টিক ফুটবোল টুর্নামেন্টতা খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্তা লৈরিবা নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর সন্তোস ত্রোফি ২০১৮-১৯গী নোর্থ ইষ্ট জোন ক্বালিফায়িং রাউন্দগী গ্রুপ বিগী অহানবা মেচতা মণিপুরনা অরুনাচল প্রদেশপু মায়থীবা পীখ্রে।

নোর্থ ইষ্ট জোনগী ওইনা টিম ৭না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ২ থোক্না খাইদোক্তুনা চত্থরিবা সন্তোস ত্রোফি নোর্থ ইষ্ট জোন ক্বালিফায়িং রাউন্দগী গ্রুপ বিগী অহানবা মেচ ওইনা থা অসিগী ১২দা মণিপুর অমসুং অরুনাচল প্রদেশ শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা পাঞ্জল ০-০দা লৈনখি। অনীশুবা হাফকী ৩০শুবা মিনটতা মণিপুরনা পেনালটি অমা ফংখি। পেনালটি কিক অদু জর্সি নম্বর ৬ অঙৌম্বানা পাঞ্জল ওইনা ওন্থোক্লগা মেচ অদু মণিপুরনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখি।

# ইন্দিয়াগী চহী ১৯ মখাগী ক্রিকেট টিম খনবদা মণিপুরগী বোলর রাজকুমার রেক্স য়াওখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৩ (ঐচএনএস) ঃ বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই) গী মীৎয়েং মখাদা কেরলাগী তিরুবনন্থপুরমদা থা অসিগী ২৬তগী সাউথ অফ্রিকাগা ইন্দিয়াগী চহী ১৯ মখাগী ক্রিকেট টিমগা শান্নগদবা নুমিৎ মরিনিগী ক্রিকেট মেচ ২গীদমক মণিপুরগী ক্রিকেটর রাজকুমার রেক্স খনখ্রে।

থা অসিগী ১২গী নুমিদাং পুং ১০ তাবা মতমদা বি সী সী আইগী মিদিয়া এদভাইজরিনা পীরকপা ওফিসল ওইবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না মণিপুরগী ক্রিকেটর রাজকুমার রেক্স (লেফ আর্ম মেদিয়ম পেসর) বু ইন্দিয়াগী অন্দর-১৯ স্কাদতা শরুক য়ানবা দি জুনিয়র সেলেক্সন কম্মিটিনা নুমিৎ মরিনিগী ক্রিকেট মেচ ২গীদমক খল্লকখিবনি।

ইন্দিয়াগী অন্দর-১৯ স্কাদ অসিদা সুরজ অবুজা (সী এন্দ দল্লিয়ু কে) টিম রাজস্থান, দিভয়ান্স সক্সেনা (এম সী এ), ভরুন নয়ারন (কেরলা), অভনীশ সুধা (টিম উত্তরখণ্ড), য়াশসভি জেসৱাল (এম সী এ), ভাইভাব কানপাল (দি দি সী এ), সোরিয়া সরন (ঐচ পি সী এ), রিটিক সোকিন (দি দি সী এ), মানব সুথর (টিম রাজস্থান), মানেসি (জে এস সী এ), সবির খান (বিহার), অন্সুল কম্বোস (হরিয়ানা), রাজবর্ধন হঙ্গরগেকার (এম ঐচ সী এ), রোহিট দট্টরয়া (ভি সী এ), রাজকুমার রেক্স (মণিপুর সী এ) অমসুং ভাটশাল শর্ম্ম (কেরলা) নি।

পনবা য়াবদি, রঞ্জি ত্রোফি ২০১৮-১৯দা শরুক য়ানবা খনখিবা রাজকুমার রেক্স মণিপুরগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট স্কাদতা শরুক য়াবনি।

# মণিপুরনা পোন্দিচেরিবু চহী ২৩ মখাগী ওল ইন্দিয়া ৱান দে লীগ কম নোক আউট ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা রন ৮০দা মায়থীবা পীখ্রে

ভুবনেশ্বর, ফেব্রুৱারী ১৩ (এজেন্সী) ঃ উরিষাগী ভুবনেশ্বরদা লৈবা বিকাস ক্রিকেট গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা চহী ২৩ মখাগী ৱান দে লীগ কম নোক আউট ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা মণিপুরনা পোন্দিচেরি ক্রিকেট টিম্বু রন ৮০দা মায়থীবা পীখ্রে।

বেট্টিং হান্না তৌদুনা মণিপুরগী টিম অদুনা অপীবা ওভর ৫০দা রন ২১৬ লৌবা ঙমখি। মণিপুরগী মায়কৈদগী অমাননা বোল ৮১দা রন ৫৪ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা বেটসমেন ওইখি। এম লোয়াঙম্বনা বোল ৪৮দা রন ৩৫, ওপনর অভিসেকনা বোল ৬৭তা রন ৩৩, নিটেসনা শুপ্পগী বোল ৩২দা রন ৩৭ লৌদুনা মণিপুরগী টিম অদুগী মায়কৈদগী ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখি।

পোন্দিচেরিগী মায়কৈদগী বোলর ভেনেগটঅমসুং সিদাকসিংহনা মণিপুরগী



বেটসমেন ৩/৩ আউট তাহনবা ঙমখি। পোন্দিচেরিগী মায়কৈদগী মায় পাক্লনবা রন ২১৭ অদু লৌনবা হোৎনরকপদা টিম অদুগী বেটসমেন ১০মক শুপ্পগী ওভর ৩১ শুরকপদা রন ১৩৬ খক লৌদুনা লোইশিনখিবদগী মণিপুরনা মেচ অদু রন ৮০দা থোইখিবনি।

পোন্দিচেরিগী মায়কৈদগী রাগুনা রন ৩৩ লৌখিবা, সিদাক সিংহনা রন ৩৩ লৌবা ঙমখিবা লোয়ননা পরস অমসুং অকাসনা মথংশিংনা রন ২২ অমসুং ২০ লৌখিবা অদু নত্তনা অতোপ্পা বেটমনেশিংদি রন ১০ য়ৌবা অমত্তা ঙমখিদে। মণিপুরগী মায়কৈদগী বি এ যাদবনা ৱিকেট ৪ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা বোল্লর ওইখি।

# রোষ্টোন চেসকী সেঞ্চুরিনা ৱেষ্ট ইন্দিজ কনবা ঙমখিদ্রে, ইংলেন্দনা মখোয়বু অহুমশুবা টেষ্ট মেচ অদু রন ২৩২দা থোইখ্রে

সেন্ট লুসিয়া, ফেব্রুৱারী ১৩ (এজেন্সী)ঃ ৱেষ্ট ইন্দিজগী সেন্ট লুসিয়াদা লৈবা দারেন সামি নেসনল ক্রিকেট ষ্টেদিয়নদা থা অসিগী ৯দগী শান্নবা হৌরকপা ৱেষ্ট ইন্দিজ অমসু ইংলেন্দগী ৩শুবা টেষ্ট মেচ অদুগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ৪নিশুবা নুমিত্তা য়ূম্বু ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটচমেন রোষ্টোন চেসনা আউট ওইদনা লৌখিবা রন ১০২ অদুনা মহাক্কী টিম কনবা ঙমখিদ্রে। ইংলেন্দা মেচ অদু রন ২৩২দা থোইখ্রে।

মেচ অদুগী টোস ৱেষ্ট ইন্দিজনা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখিবনি। অহানবা ইন্নিংসতা ইংলেন্দনা রন ২৭৭ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা ৱেষ্ট ইন্দিজ অহানবা ইন্নিংসতা রন ১৫৪ লৌখি। ইংলেন্দা মখাতানা অনীশুবা ইন্নিংস শান্নরকপদা রন ৪৮৪ লৌদুনা ইন্নিংস অদু দিক্লার তৌখি। ৱেষ্ট ইন্দিজনা মেচ অদু মায়পাক্লবা রন ৪৮৫গী টার্গেট লৈখি।

ইংলেন্দগী অনীশুবা ইন্নিংস অদুদা কেপ্তেন জো রুটনা য়াম্না ফজবা রন ১২২ লৌবা ঙমখি। মহাকপু চাওনা মতেং পাঙখিবা অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদুদি রন ৬৯ লৌখিবা জো দেনলি, রন ৫৬ লেখিবা জোস বটলর অমসুং আউট ওইদনা রন ৪৮ লেখিবা বেন ষ্টোক্সনি। মখোয়না অনীশুবা ইন্নিংস অদুদা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ৩৬১ লৌবা ঙমখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজনা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস অদু শান্নরকপদা হৌরকপদা য়াম্না ফিভম শোকখি। ইন্নিংসকী ৩২শুবা ওভরদা য়ূম্বু লৈবাক অদুগী বেটচমেন ৫ আউট ওইখি। মতম অদুদা স্কোর বোর্দতা রন ৭৬খক লৈখি। ওপনর অমদি কেপ্তেনসু ওইরিবা ক্রেগ ব্রাথৱাইতে রন ৮খক লৌরমখি। মহাক্না ইন্নিংস ওপন তৌখিবা জোন কেম্পবেল ইন্নিংস অহানবা ওভরদা রন অমত্তা লৌবা



ঙমদনা আউট ওইখি।

৪শুবা বেটচমেন দারেন ব্রাভোসু রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা অউট ওইখি। টিম অদুগী ৫শুবা বেটচমেন রোষ্টোন চেসনা য়াম্না ফজবা মওংদা অতোপ্পা বেটচমেনশিংনা রন য়াম্না লৌবা ঙমদনা মথং-মথং আউট ওইরকখিবা অদুদা মহাক্না ইংলেন্দগী বোলরশিং অদুবু নীংথিনা শান্নবা ঙমখি। মহাকপু চাওনা মতেং পাঙবা ঙম্বা অতোপ্পা বেটচমেন মশিং য়ামখিদে। টিম অদুগী মকোকথোংবা বেটচমেনশিং ফজবা ঙমখিদ্রবা মতুং মিদল ওর্দর বেটচমেনশিং অদুনা ইংলেন্দগী বোলরশিং অদুবু শান্নবা ঙমখি।

৬শুবা অমসুং ৭শুবা বেটচমেন সিমরোন হেটমের অমসুং ৱিকেটকিপরসু ওইরিবা সেন দোস্নো রন ১৯/১৯ লৌবা ঙমখি। মখোয় অনীগী মখাদা চঙলকখিবা কেমর রোচনা রন ২৯ লৌরমখি। অদুগা ৯শুবা বেটচমেন অলজাম জোসেপনা রন ৩৪ লৌখি। ৱেষ্ট ইন্দিজগী ইন্নিংস অদু ওভর ৭০ শান্নরকপদা ৱিকেট ১০ আউট ওইরগা রন ২৫২খক লৌরমখি। মদুদা রোষ্টোন চেস আউট ওইদনা রন ১০২ লৌখ্রবসু মতেং লৈখিদবদগী টিম অদু রন ২৩২দা মায়থীবা নংখি। ইংলেন্দগী মায়কৈদগী বোলর জেনস এন্দর্সন অসুং মোইন আলিনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটচমেন ৩/৩ আউট তাহনখি। অদুগা বেন ষ্টোক্সনা ৱিকেট ২ লৌবা ঙমখি।

HL-B/5178/6/02-10/4(alt.)




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com